## ডা. থোকচোম ইবোহনবীদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়বা নৈনরোলগী লাইরিক অসিদা পীননবা লাউথোরকপনি। লাইরিক অসি সাহিত্য একাদেমি এৱার্দকীদমক খনগৎপদা প্রোফেসর অরাম্বম বিরেন, এল জয়চন্দ্র অমসুং য়ুরেম্বম ইবোমচানা জ্যুরি মেম্বরশিং ওইখি।

লেমজনীংঙাই ওইরবা খোরিরোলগী মনা অসিদা কোপ্পর প্লেট ১, সোল ১ অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ১ য়াওরি। মনা অসি মথং থাগী ১১দা সাহিত্য একাদেমিনা শীন্দুনা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা লান্থোক্কনি হায়রি।

কুমজা ২০২১গী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীননবা খল্লক্লবা ডা. থোকচোম ইবোহনবী কুমজা ১৯৫১গী এপ্রিল ৫দা শীংজমৈ মথক চোংথাম লৈকায়দা পোকখি। দি এম কোলেজ ওফ আর্টস ইম্ফালদা মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইনা পুরল্লবা মতুং থবক্তগী পোথাখিবনি। মনা ফংলবা অইবা অসি নহারোল সাহিত্য প্রেমি সম্মিটি (ইম্ফাল), মণিপুর সাহিত্য পরিষদ (ইম্ফাল) গী লাইফ মেম্বর ওইদুনা খোরিরোল চাওখৎনবা হোৎনবদা চোকথবা নাইদনা থবক তৌরক্লিবা অইবনি। মসিগী মথক্তা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমসু পুরমখি। লোয়ননা সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী মেম্বরসু টর্ম অমা ওইরমখি। অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি 'অঙনবা মতমগী মণিপুরগী সাহিত্যদা ইমাজিনরি' (১৯৯৭, নৈনবা), 'বঙ্গ বনধুগী লৈবাক্তা' (২০০২, লমকোয় ৱারী), 'শগোল গাড়ী থৌবা গুলামদিন' (২০১৩, হন্দোকপা) অমসুং ইংলিসতা ইবা লাইরিক্তা 'মাধব রাম ৱাহেংবা' (সাহিত্য একাদেমি, ২০১৬) নি।

অইবা অসিগী লমকোয় ৱারীগী লাইরিক অসিদা কুমজা ২০০৫দা সেরাম মুক্তা সাহিত্য মনা অমসুং কুমজা ২০০৭তা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ পীখিবনি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 85.492057 |
| US Dollar | 75.539709 |
| British Pound | 102.109162 |
| Australian Dollar | 53.754725 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.881204 |
| Japanese Yen | 0.654428 |
| Malaysian Ringgit | 18.021923 |
| Singapore Dollar | 56.066112 |
| South Korean Won | 0.063108 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.143922 |
| Thai Baht | 2.321851 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5106.00 |
| Chennai | – | Rs | 5144.00 |
| Delhi | – | Rs | 5106.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5106.00 |

## GAS NEWS

**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:**
**BOOKING UP TO 15/01/22**
Valid from 31/12/21.
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205
**KHORIPHABA NAMBOL BK. UPTODATE**
Timing:6am to 10am
Home delivery no:9366471778/8974087390/8787632782
**TDK GAS**
**BK. UPTO 06/01/22.**
VF. 05/01/22.
**STK.306.**
HOME DELIVERY ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.
**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 30-12-21**
Valid from 21-12-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no. 9612023095
Whatsapp no.7005013837
Time 7.30am to 11.am
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 22/01/2022
**BOOKING UPTO:24/01/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY:
03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**GBD INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO:-01/02/2022**
Valid from :-16/01/2022
**Stock :- 400**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday )
Contact no. 9362178800 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry
**M/S K&K INDANE SERVICE**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

# ইম্ফাল ৱেষ্টকী কলর টি-শর্টশিং লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪ (ঐচএনএস): পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি ঈ ও), ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওবজার্ভরশিং, আর ওশিং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ১৩গী কেন্দিদেটশিং অমদি ইলেক্সন এজেন্টশিংগা পূন্না তোঙান তোঙানবা এজেন্দাশিংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি গান্ধী মেমোরিএল হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী রিটর্নিং ওফিসরশিংনা লিৎকদবা কলর টি-শর্টশিং দি ঈ ও, ইম্ফাল ৱেষ্টনা লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট এন জি জোগেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা কলর টি-শর্টশিং অসি সাইলেন্ট দিসপসেল সিষ্টম চৎনহন্নবগী মনুং চন্না শীজিন্নগদবনি অমদি মীখল নুমিৎতা পোল্লিং পর্সনেলশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অহানবা ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, পোল্লিং পর্সনেলশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈনখিবা মতমদা পাউ ফাওনবা নুংঙাইনবা অমদি কো-ওর্দিনেসন লৈনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা মচুগী টি-শর্ট অমদি গাড়ীশিং শীজিন্নগনি অমদি চহীসিদগীদি লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা লাউ খোংবা য়াররোই হায়খি।

দি ঈ ও টি ঐচ কিরনকুমারনা পোষ্টেল বেলোটশিং পীবগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা হায়, পোষ্টেল বেলোট মখল অহুম লৈগনি। অহানবদা কোভিদ নারিবা মীওইশিং, পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ (পি দব্লিয়ু দি) শিং অমদি চহী ৮০ মথক্কী ওইবা সিনিয়র সিটিজনশিংদা পীবা পোষ্টেল বেলোট, অনীশুবদা মপান লমদা থবক তৌরিবা ভোটরশিংগী ইলেক্ট্রোনিক পোষ্টেল বেলোট অমদি অহুমশুবদা ইসেন্সিএল সর্ভিসেস অমদি ইলেক্সনগী থবক্তা শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী ওইবা পোষ্টেল বেলোটনি। কেটেগোরি অহুম অসিগী মনুংদা লৈবশিংগী অহানবা রাউন্দগী ওইনা ফেব্রুৱারী ২১ অমসুং ২২দা পোল্লিং টিমশিংনা ময়ূম ময়ূমদা চৎতুনা পোষ্টেল বেলোট লৌখৎকনি অদুগা অনীশুবা রাউন্দগী ওইনা ফেব্রুৱারী ২৫দা পাঙথোক্কনি হায়খি।

মীফম অদুদা ৯-থাংমৈবন্দ, ১০-উরিপোক অমদি ১৯-পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যু,ন্সিগী জেনরেল ওবজার্ভর ১ জঙ বহাদুর য়াদব; ১১-শগোলবন্দ, ১২-কৈশামথোং অমদি ১৩-শীংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী জেবরেল ওবজার্ভর ২ লালজিমাভিয়া ঘাঙতে; ১৬-সেকমাই (এস সী), ১৭- লমশাং অমদি ১৮ - কোন্থৌজম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী জেনরেল ওবজার্ভর ৩ সরিতা য়াদব; ২০- লংথবাল, ২১- নাওরিয়া পাখংলাকপা, ২২- ৱাঙ্গোই অমদি ২৩- ময়াংইম্ফালগী জেনরেল ওবজার্ভর ৪ রিটেন্দ্র নরায়ন বাসু রোয় চৌধুরি অমসুং পুলিস ওবজার্ভর কুমার গৌতমনা শরুক য়াখি।

মীফমগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা কেন্দিদেটশিংগী ইলেক্সন এজেন্টশিংনা মখোয়গা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা অমদি চমন্নবশিং অদু দি ঈ ও, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি মরী লৈনবা আর ওশিংনা ৱাখল তাহনখি ।

## কোংগ্রেসতা শাংনা...

*লামায় ১গী মখা...* কম্মিটি প্রসিদেন্ট আর কে বিমোলা, ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিটি, বি জে পি বিষ্ণুপুর মন্দলগী কনভিনর ৱাই ইবোতোম্বী, মোইরাং এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা এম পৃথিবীরাজ অমসুং বি জে পিগী দিষ্ট্রিক্ট অমদি মন্দল লেভেলগী থৌ পুবশিংনা ময়ায়গী ফম্ফমদা ফমদুনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা প্রতিমা ভৌমিকনা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি তরুকমক্তগী বি জে পিগী কেন্দিদেটশিং থাগৎপীরকউ। গোবিন্দাস কোন্থৌজমগুম্বা মশাগী এ সী খক নত্তনা মণিপুরগী অমদি মীয়ামগী থৌগল তৌরক্লবা লিদর অসিবু অমুক্কা হন্না থাগৎপীরকউ হায়খি।

লোয়ননা ঈং-তপ্পা মণিপুর অমগীদমক বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হল্লকহনবীয়ু হায়নসু থৌরম অদুদা শরুক য়ারখিবা য়াম্লবা নুপা অমসুং নুপী মীয়ামদা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর প্রতিমা ভৌমিকনা আপীল তৌখি।

# ইন্সর্জেন্ট গ্রুপশিংগা ৱারী শাননবা থৌরাং ...

*লামায় ১গী মখা...* রাজনাঠনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা পন্থদনা লংথবাল মন্দল বি জে পিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পব্লিক মীটিং অমদা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হৌজিক্তি অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং শীংথানবা য়াবা চাংদা হন্থরক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

সেন্টরদা ঐখোয়গী লৈঙাক লিংখিবা মতমদুদগী হৌরদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা ইন্সর্জেন্সিগী প্রোব্লেমশিং কোকহনগনি অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং চাওখৎহন্নবা হোৎনগনি হায়দুনা লাকখিবনি। মরম অসিনা হৌখিবা চহী মঙাদা মণিপুরদসু অহোংবা কয়া লৈরে। অদুবু চহী মঙাগী মমাঙদদি মণিপুরদা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং ৱারীনদুনা খন্ন-নৈনরম্বনি। হৌজিক্তি ভাইওলেন্সকী মহুত্তা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা হেন্না থাজবা লৈরক্লে অমসুং তশেং তশেংনা উবা ফংলে হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরনা কোংগ্রেস লৈঙাকশিংবু চৈরদুনা হৌখিবা চহী ৭০ অসিদা কোংগ্রেসনা মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংবু মীরাইখিবদু কোংগ্রেসকী এন্টি দিভেলপমেন্ট অমসুং এন্টি নোর্থ ইষ্টকী ওইবা ৱাখল্লোন্দগীনি হায়খি।

দেল্লীদা লৈঙাক পায়রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদা অফবা লম্বী, রেল অমসুং নোংথক্কী কনেক্টিভিটি ফগৎহনগনি হায়দুনা ৱাশকখিবনি। হৌজিক্তি লৈবাক অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগা ইরোয়ননা মণিপুরদা রেলৱেগী কনেক্টিভিটি য়ৌশিল্লক্লে। থবক অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতমদা ইহান হান্না পাঙথোকপা থবক অমা ওইরগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী লৈঙাক চূপ্পি পায়রকপদগী নোর্থ ইষ্টকী মায়থোঙ অমসুং তুংলমচৎ অনীমক্তা খঙহৌদনা অহোংবা কয়া পুরক্লে হায়খি।

মতম অমদা মণিপুর থা চূপ্পা চথুবা ব্লোকেদশিংগীদমক মমিং পন্নরম্বনি। অদুবু হৌখিবা চহী খরসিদা ব্লোকেদ লৈহন্দবা ষ্টেট অমা ওইহনবা ঙমখ্রে। বি জে পিনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংশিং লৈবাক শিনবা থুংনা পায়খৎলক্লি অমসুং থবকশিং অদুবু মনুং মপান ফাওনা উহল্লি হায়খি।

ঙসিদি মণিপুরনা সেন্টরনা পায়খৎলকপা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং হকথেংননা ফংবা ঙম্লে হায়খি।

পনবা য়াবদি, মহাক্না ইম্ফালদা য়ৌরক্লিনৈঙৈগী মাঙওইননা ত্বিটরদা থাগৎলকখিবা ৱারোল অমদা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীখলগীদমক তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোকপা পব্লিক মীটিংদা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখিবনি।

অদুম ওইনমক মহাক্না ঙসি ইম্ফালদা য়ৌরক্লবা মতুং নুংথিলগী পুং ৩ তারকপদা হোটেল নির্মলাদা পাঙথোক্কনি হায়দুনা লেপখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদি পাঙথোকখিদে। প্রোগ্রাম অদুবু কভরেজ তৌনবগীদমক প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মীওইশিংনা থৌরাং তৌনখিবনি।

## গভর্ণরগী পাউজেল...

*লামায় ১গী মখা...* কুম্মৈ অসিনা নাগা ফুরুপশিংদা নত্তনা অতোপ্পা ফুরুপশিংগী মরক্তসু তোপ তোপ্পা ফম্ফম অমা কন্দুনা লাক্লি হায়রদুনা ফেষ্টিবেল অসিদা পুম্নমক্না শরুক য়াদুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেলহল্লসি হায়রি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু লুই ঙাইনি কুম্মৈগী মাঙওইননা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা নাগা ফুরুপকী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## দ্রগ অমসুং করপসন মূখৎকনি...

*লামায় ১গী মখা...* চৎতুনা হাওস কেম্প্যেনসু চথখি।

অমরোমদা, মশাগী য়ূমদা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা থৌনাওজম বৃন্দানা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা মহাক্না মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি মণিপুরগী ইকোনোমি ফগৎহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা লৌউ শিংউবদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা ঐখোয়গী ইকনমি দিভেলপমেন্ট তৌরগদি নহাশিং থবক ফংহনবা, লায়রবশিং শেন্থোক লম্বী লৈহল্লগা মখোয়না মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিগী সিষ্টম অসিদি মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা থাজহল্লগা মদুগী খুদোংচাবা লৌবনি। মণিপুরবু মাঙ তাকহন্নবা পায়খৎলক্লিবা সিষ্টম অসি লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা অফবা মীরেপ থাগৎলক্কবদি অওনবা মণিপুর অমা শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

# সেকেন্দ ফেজগী কেন্দিদেট ১ রিজেক্ট তৌরে...

*লামায় ১গী মখা...*এন পি পিগী এম অবাস খান, জে দি - য়ুগী অসবউদ্দিন, ৪২- তেংনৌপল (এস টি) গী এন পি এফকী দি কোরুংথাং, বি জে পিগী লেটপাও হাওকিপ, আই এন সীগী মোরুং মকুঙা, এন পি পিগী জাংখোমাং হাওকিপ, আর পি আই (এ) গী দেভিদ মরিং, ইন্দিপেন্দেন্টমীরেপশিংদা জামখোলুন হাওকিপ অমসুং টি কে মোসিলফা, ৪৩- ফুংয়ার (এস টি) দা বি জে পিগী এ এস হোপিংসন, এন পি এফকী লৈসিও কৈসিং, আই এন সীগী ভিক্টর কৈসিং, সিব সেনাগী নিংহোর জাজো, জে দি - য়ুগী ৱুংনাওসং কছার, ৪৪- উখ্রুল (এস টি) দা আই এন সীগী অলফ্রেন্দ কানঙম, এন পি এফকী রাম মুইভা, বি জে পিগী সোমাতাই সাইজা, ৪৫- চিঙাই (এস টি) দা এন পি এফকী খাসিম ভাসুম, এন পি পিগী নিঙম চামরোই, বি জে পিগী প্রেসো সিমরে, আই এন সীগী সোর্টবাসুম, ৪৭- কারোং (এস টি) দা এন পি এফকী কে এস এন্থোনি, আই এন সীগী দি দি থাইসি, বি জে পিগী আর ৱাই জোনাথন তাও, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংদা জে কে শা, থাইবা সানি, ৪৮- মাও (এস টি) দা এন পি এফকী লোসি দিখো, বি জে পিগী এস এ মাইখো, ইন্দিপেন্দেন্টকী ৱোবা জে ারাম, ৪৯ - তদুবী (এস টি) দা এন পি এফকী ফ্রান্সিস ঙাজে াকপা, এন পি পিগী এন কাইসি, বি জে পিগী ও লোরি, ইন্দিপেন্দেন্টকী রোবার্ট তাইলু মরাম, ৫২- তামৈ (এস টি) দা এন পি এফকী অৱাংবৌ ন্যুমাই, এন পি পিগী জেদ কিখোনবৌ ন্যুমাই, আই এন সীগী জি এন কুমুই তেয়ুং, বি জে পিগী ৱিলুবৌ ন্যুমাই, ৫৩ - তমেংলোং (এস টি) দা বি জে পিগী হুরি গোলমৈ, এন পি পিগী জামহেংলুং পানমৈ, এন পি এফগী খাংথুৱান পানমৈ, জে দি -য়ুগী সাম্যুএল জেন্দাই অমসুং ৫৪- নুংবা (এস টি) দা বি জে পিগী দিংগাংলুং গাংমৈ অমসুং আই এন সীগী গাইখাঙমনি।

# এম এল এ অন্তাস খাননা থিবা খঙদবা স্কুলদগী ...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক্কী মীরেপ চে পীশিল্লকখিবদা লোয়নরকখিবা এফিদেভিটতা মহাক স্কুল অনীদগী ত্বেলভ এগজামিনেসন পাস তৌই হায়না ফোঙদোরকখি অদুগা স্কুল অনীমক্তগী ক্লাস ত্বেলভ পাস তৌবগী চহীশিংসু চপ মান্নে হায়বগা লোয়ননা মহাক্না ত্বেলভ ক্লাস পাস তৌরক্লে হায়রিবা স্কুলশিং অদু থিবা খঙদ্রে হায়বা ৱাফমশিং পল্লদুনা মহাক্না লম্বা তৌনগদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ডা. ইরসত হুসেননা ঙসি পাঙথোকখিবা স্ক্রুটিনিগী রিটর্নিং ওফিসরদা কমপ্লেন্ট অমসু ফাইল তৌখি।

অদুম ওইনমক আর ওগী মায়কৈদগীদি মহাক্না ৱাই অন্তাস খানগী নোমিনেসন পেপর রিজেক্ট তৌবা ঙমদে। মসিদি কোর্টনা লেপচগদবনি হায়খি। মরম অসিদগী কমপ্লেনেন্ট ওইখিবা ডা. ইরসদ হুসেননা নোমিনেসন পেপরদা শেমজিন শাজিনবা অমসুং অরানবা দোক্যুমেন্ট/ সর্টিফিকেট শীজিন্নদুনা লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামদা নমথাক তৌবগীদমক কোর্টকী মতেং লৌরগনি হায়খিবনি।

অমরোমদা, এম এল এ, ৱাই অন্তাস খাননা পাঙ্মীশিংদা ফোঙদোক্লম্বদা মঙোন্দা শীরক্লিবা মরাল অসি চৎনবা য়ারোইদবা অমসুং য়ূম্ফম য়াওদবা অরানবনি। মহাক্না নোমিনেসন ফাইল তৌবদা অরানবা য়াওখিদে। অসিগুম্বা য়ূম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফম পুখৎতুনা য়েৎনবা অসি তৌহন্নীংদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, জে দি য়ুগী মীরেপ ওইরিবা এক্স এম এল এ মহম্মদ অবদুল নসিরনা কুমজা ২০১২গী মীখলদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা মহাক্কী নোমিনেসন ফোর্মদা মেনশিনবা মহাক্কী চহী অসি অমত্তা মান্নহন্দবা অসি মীয়ামদা চাউনা নমথাক তৌবদা নত্তনা লোগী ৱাংমদনি। মহাক এম এল এ ওইবদা মতিক চাদে। মসিগীদমক্তা লোগী মতেং লৌরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা অবদুল মনানগী মায়কৈদগীদি এক্স এম এল এ মোহম্মদ অবদুল নসিরনা নোমিনেসন ফাইল তৌবদা কুমজা ২০১৭কী মীখলদনা মহাক্কী চহী অসি ৩৯নি হায়খি অদুগা ২০২২গী বাই ইলেক্সনদনা ৪২নি হায়রগা হন্দক্না মহাক্কী চহী ৪৮নি হায়না নমথাক তৌরক্লে হায়খি।

করন্না চহী অমা মখায় অসিদা চহী ৬ হেনগৎলিবনো হায়বা ৱাহং হংলদুনা মসিগী মতাংদা লোগী মতেং লৌরগনি। মীনম্বা অসিগীদমক মহাক্পু শোয়দনা লোগী মতেং লৌরগা চপ চাবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

## ইম্পরেলিষ্ট ইন্দিয়ানা নীংতম লানগী মায়োক্তা সাইবর ৱার ...

*লামায় ১গী মখা...* দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী ওফিসল ফেসবুক পেজবু ইন্দিয়াগী ইন্টলিজেন্সনা য়ু এস গভর্ণমেন্টকী খূথাংদা ফেসবুক্তা তক্লদুনা ফেজবুক পেজ 'য়ু এন এল এফ- এম পি এ' অসি ফেসবুক্তগী লৌথোকখিদুনা মণিপুরগী নীংতম লান অসি নমথনবা ইন্দিয়ানা অয়ৌবী থাক্তা সাইবর ৱার অমা চথ্বরক্লি হায়রি।

য়ু এন চার্টরগী আর্টিকিল ২ (৪) দা ময়েক শেংনা পন্দুনা লৈরিবা লৈবাক অমনা লৈবাক অমবু নম্ফুদা তিনশিনবা য়াদে, মদু চথরবদি এগ্রেসননি হায়না লৌগনি। আর্টিকল অসিমক্না ইন্দিয়াদা অচৌবা অকিবা অমা পীদুনা লাক্লি। ৱাফমসি মালেমগী লৈবাকশিংনা পুথোরক্তুনা মণিপুরগী সেল্ফ দিটরমিনেসনগী ৱাফম হৌদোরক্তনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা অয়ৌবী থাক্তা ফত্তবা ৱাখল লৌশিং অমদি থৌনা শীজিন্নদুনা লাক্লি হায়রি।

কুমজা ১৯৪৭তা মনীংতম্লবা মণিপুরবু মতমদুগী দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানা ১৯৪৯দা ইন্টরনেসনল লো থুগাইদুনা নম্ফুদা লৌশিনখিবা (এনেক্সেসন) অদুদগী ঙসিসু মণিপুরগী ফুরুপচাশিংদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পীরিবা হ্যুমেন রাইটসশিং ফাওবা মৎপীদুনা লিশাং শিংনা চহী ৭৩ অসি ইন্দিয়াগী মখাদা লোইলম লৈবাক অমা ওইনা লৈরক্লি অমদি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী খোল্লাউ মালেমগী লৈবাকশিংদা য়ৌখিদনবা মখোয়গী অরানবা প্রোপেগন্দানা নমশিন্দুনা থল্লক্লি হায়রি।

য়ু এন এল এফ : এম পি এগী পাউজেলশিং মীদিয়া অমদি সোসল মীদিয়াগী মতেংনা মালেমগী মীয়াম্না খঙবা হৌরকপসিদা মীপাইবা ফাওরবা ইন্দিয়ানা পার্টি অসিগী মীয়াম্না মপূং ফানা শৌগৎপীবা ফেসবুক পেজ 'য়ু এন এল এফ - এম পি এ' অসি থা অসিগী ১১দা ইন্দিয়ানা সাইবর এটেক চথরকখিবনি। পার্টিনা এম পি এগী রেজিং দে পাঙথোকখিবা অমসুং এম পি এগী লান্মীশিংনা থেংনরিবা অৱা নুংঙাই অমদি মালেমদা পেন্দমিক ওইরিবা কোভিদ-১৯না শোকহল্লবা লৈবাক অসিগী নীংতম লান্মীশিংগী ফোটো অমদি ভিদিও সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা মীয়ামদা ফেব্রুৱারী ১০দা য়ৌহনখি। ফোটো অমসুং ভিদিওগী পাউজেল অসি য়াম্না থুনা য়াংনা লান্মৈগুম লৈবাক অসিগী য়াম্লবা মীয়াম্না য়েংবীখিবা অমদি নীংতম লান্মীশিংদা শৌগৎপীরকখিবা অমদি মতেং পাংবীরকখিবা ময়াম অদু উবদা মীপাইবা পোক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়াম্না খূৎলৈ থুনা পুং খরগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ফেসবুক্তা তক্লদুনা ওফিসল পেজ অসি লৌথোকখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা মণিপুর - ইন্দিয়াগী কনফ্লিক্ট অসি মখোয়না ঙসিসু ইন্দিয়াগী ইন্টরনেল ক্রাইসিসনি, লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেমনি অমসুং ইমুং মনুংগী প্রোব্লেমনি হায়না মালেমগী লৈবাকশিংদা অরানবা প্রোপেগন্দা চথদুনা লান্না শন্দোক্তুনা লাক্লি। অদু ওইরবদি তশেংনমক মতাংসিদা লৈবাক মীয়ামদা থমজনীংবা ৱাফমদি মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিং ফাওবা অমনা অমদা পেন্দমিক অসি লান্থেংননবা মতেং পীনবা মতমসিদা ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯না নারবা নীংতম লান্মীশিং অসিগী পাউজেল ফাওবা থিংনবা লান ওইনা চঙশিল্লক্লি। মসিনা তাক্লিবদি লৈবাক অসিগী নীংতম লান অসি কয়ামুক নমথনবা হোৎনরি হায়বসিনি। মসিদা অমুক্না হেন্না ইন্দিয়ানা মীপাইরিবদি নীংতম লান্মীশিং অসি মালেমগী লৈরিবা ইন্টরনেসনল কম্যুনিতিগী ইন্টরনেসনল সপোর্ট ফংখ্রগনি হায়বসিনি। মসিমক্তি পুকচেল খ্বাইদগী পিকপা য়েক্লবা অমনা য়েক্লবা অমদা ফাওবা চথরোইদবা লানগী রুল ওফ এনগেজমেন্টগী মায়োক্তনি হায়রি।

পার্টি অসিনা মালেমগী অমদি লৈবাকসিগী নীংতম লান অসিগীদমক অচুম্বা ৱাখল মীৎয়েং অমদি মতেং পাংবীবা ঙম্বা মীওইশিংদা নীংতম লান অসিবু শৌগৎপীনবা আপীল তৌজরি অমদি নীংতম লান অসিবু লেপ্তুনা শৌগৎপীরক্লিবা লমদমসিগী মীয়াম্বু অদুক্কী মতিক থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং পার্টিগী পাউজেল অসিবু মীয়ামদা য়ৌহনবীরিবা মীদিয়া ফ্রেটর্নিটিবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# বি জে পি ২০দগী হেন্না কাররোই, সুরচন্দ্রগী মথক্তা ৱাকৎলগনি...

*লামায় ১গী মখা...* হায়বগী থাজবা চাউনা লৈরে হায়খি।

চহী ১৩ মখায় এম এল এ ওইরম্লবা সুরচন্দ্রনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমত্তা তৌরমদবনা ককচীং এ সীগী মীয়ামদা অৱাবা খুদোংচাবদা কয়া মায়োক্নরিবনি। তেল্লবা চহী ১গা থা খরসিদা মীয়ামগী থবক পাঙথোকপা ঙমজরিবা অসি মখা তানা হেন্না মাঙলোমদা চাওখৎপা ককচীং এ সী ওইহন্নবা হোৎনগনি। হন্দক্কী মীখলসিদা মীয়ামগী মীনুংশি অমসুং থাজবা পূম্বা মহাক্কী মফমদা থম্বীদুনা মীখলসিদা মহাকপু মায় পাকহনবীয়ু। ককচীং এ সীগী অৱাৎ অপা কয়া মেনখৎতুনা চাওখৎপা অমসুং মাঙলোমদা চঙশিনবা কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহল্লসি হায়খি।

অমরোমদা, বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ৱাই সুরচন্দ্রগী নোমিনেসন ফাইল তৌরকপদা মীয়ামদা মীনম্লগা অরানবা অশোয়বা কয়ামরুম লোৎশিনবা থেংনরে। মহাক্কী মথক্তা কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়না এন পি পিগী মীরেপসু ওইরিবা এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মীরেপ চেশিং স্ক্রুটিনি পাঙথোকপদা শরুক য়ারুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা মহাক্না হায়, ৱাই সুরচন্দ্রনা মহাক্কী সী বি আইনা লৌখৎপা এন এস এগা মরী লৈনবা কেস অমা নোমিনেসন ফাইল তৌবদা ঈ সী আই অমদি সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না নোমিনেসন ফোর্ম সী-৭তা মেন্দুনা নেসনল নৎত্রগা লোকল পেপরদা পব্লিশ তৌগদবনি হায়বা ৱাফম অদু মহাক্কী নোমিনেসনদা লোৎশিল্লম্লে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকপা এসেমব্লি ইলেক্সনদা করপ প্রেক্টিস তৌরে হায়বগী মহাক্কী কেন্দিদেচর কেন্সেল তৌখিবা জজমেন্ট অদু শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা আপীল তৌখিবা কেস অদুসু পল্লমদ্রে। লোয়ননা মহাক্না নোমিনেসনগী ফোর্ম ২৬ ফাইল তৌবদা মহাক্কী এসেট অমসুং লাইএবিলিটিগী মতাংদা লুপা লাখ ১৫ অমসুং ৮গী লোন লৌরগা লৈখিবা কার অনীগী ৱাফম পল্লমদ্রে হায়বা ৱাফমসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। অদুগা ৱাই সুরচন্দ্রনা মহাক্কী নোমিনেসন ফোর্ম মেনশিনবদা মহাক্কী মীখল থেংনগদৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিগী মমিং ফাওবা পল্লমদ্রে। অসিগুম্বা মহাক্না করপ প্রেক্টিস তৌরিবা ময়াম অসি রিটর্নিং ওফিসর ওইরিবনা দিসাইদ তৌবা ঙমদ্রগসু মীখল লোইরবা মতুংদা অচুম্বগীদমক্তা কোর্টতা চৎতুনা থেংনরগনি। ৱাই সুরচন্দ্রনা শোয়দনা মীখল অসিদা মায় পাকখ্রবসু কোর্টকী ৱায়েল মতুংইন্না শোয়দনা মহাকপু এম এল এ ওইহল্লোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মীখলদা মথৌ পাঙথোক্কদবশিংদা পোষ্টেল বেলোটকী ...

*লামায় ১গী মখা...* য়ূমথোঙ খুদিংদা চৎকনি অদুবু হায়রিবা থবক অসি ভোটরশিং অদুদা মাঙজৌননা পাউ পীরবা মতুং অমসুং মীখলদা লম্বা থেংনগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংদা খঙহল্লবা মতুংদা চথগনি হায়রি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা ইলেক্সন দ্যুটিদা এনগেজ তৌরকপা মতমদা মহাক্কী কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী ইলেক্টোরেল রোলদা ভোটর অমা ওইনা য়াওরবসু মীখলগী মথৌ পাঙথোকপনা মরম ওইরদুনা মহাক্কী পোল্লিং ষ্টেসনদা ভোট থাদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরগদি 'ফোর্ম ১২এ' গী খূথাংদা রিটর্নিং ওফিসরশিংদা এপ্লাই তৌরক্কদবনি। অদুগা মহাক মশাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুদা মথৌ পাঙথোক্লবসু দ্যুটিনা মরম ওইদুনা ভোট থাদবা ফংলোইদবা ওইরবদি হায়রিবা খুদোংচাবা অসি পীগনি। মসিগীদমক 'ফোর্ম-১২' শীজিন্নদুনা এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

মীখলদা মথৌ পাঙথোক্কদবা ওফিসলশিংনা মখোয়গী ভোট থাদবা ফংহনবগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিং অমসুং পুলিসকী এস পিশিংনা পোষ্টেল বেলোটকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং কো-ওর্দিনেট তৌনবগীদমক নোদল ওফিসরশিং হাপ্পগনি হায়রি।

অমরোমদা, পাঙথোল্লগদবা মণিপুরগী তাঙ্কক অনীগী মীখলগী মাঙওইননা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা সী ঈ ও, মণিপুরগী ওফিসতা রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা মীখলগা মরী লৈননা এজেন্সী/ দিপার্টমেন্ট পূম্নমক্না ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর মোনিটরিংগী থবক্কা মরী লৈননা লৌখৎখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রিভিয়ু তৌখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এজেন্সী/ দিপার্টমেন্টশিংদি ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট, এক্সাইজ দিপার্টমেন্ট, ষ্টেট টেক্সেসন, সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস (সী বি আই সী) অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্টেলিজেন্স (দি আর আই), নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি), ষ্টেট লেভেল বেঙ্কিং কনভিনর (এস এল বি সী) অমসুং রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই), এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেদ (ঈ দি), সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ), এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) অমসুং ব্যুরো ওফ সিভিল এবিএসন সিক্যুরিটি (বি সী এ এস), পোষ্ট অমসুং বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) নি।

ঙসিগী মীফম অদু তোঙান তোঙানবা এজেন্সী/ দিপার্টমেন্টশিং অসিগা লোয়ননা থা অসিগী ৮দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিং অদুগী মখা তারকপা ওইনা পাঙথোকপনি।

ঙসিগী মীফমনা মণিপুরগী মীখল পাঙথোক্কদবা মতম চয়োল অনীখক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা মীখলগা মরী লৈননা শেল, য়ু অমসুং খুদোল পোৎশিং পীবা/য়েন্থোকপগী থবকশিং হেনগৎলক্লগনি হায়রদুনা হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসিদা লৌখৎফম থোকপা চপ চাবা থবকশিং লৌখৎনবা পাঙথোকপনি হায়রি।

ঙসিগী মীফমদা সী ঈ ও, মণিপুরগী মায়কৈদগী এজেন্সী/দিপার্টমেন্টশিংনা ফাগৎলে হায়দুনা রিপোর্ট তৌনরকপা পোৎলমশিংগীদমক শেল থাদরিবগী লিখুনশিং ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা এনালাইজ তৌবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন তৌনবা পাউতাক পীখি। এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতসু মখোয়গী চ্যেক পোইন্টশিং বোর্দর এরিয়াশিংদা মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা য়ুগী মায়োক্তা র্যেদ চথবা অমসুং ফাগৎপগী থবকশিং কনখৎহন্নবা পাউতাক পীখি। বোর্দর এরিয়াশিং খক্তা নত্তনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসিবু পৈশিন্দুনা থল্লে খঙবা অমসুং সেন্সিটিভ এরিয়াশিংদসু হেন্না অকনবা থবক পায়খৎনবা খঙহনখি।

ৱাফম অসিসু ঙসি সী ঈ ও, মণিপুর রাজেস অগ্রৱালগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লকপনি। অদুগা ষ্টেট টেক্সেসন দিপার্টমেন্টতসু ঈ-ৱে বিল চেক্কিংগী থবক থৌরমশিং মোনিটর তৌবা হেনগৎহন্নবা পাউতাক পীখি। মসিগী মথক্তা মীখলগা মরী লৈননা পীবা খুদোল পোৎশিংসু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা ষ্টেটতা লৈরিবা সেন্ট্রেল জি এস টি ওফিসলশিংগা খূৎশম্মনা থবক পায়খৎনবসু খঙহনখি।

সী আই এস এফ, এ এ আই অমসুং বি সী এ এসশিংদসু ফ্লাইটতা লাকপা পেসেঞ্জরশিং অমসুং মখোয়গী বেগেজশিংগী মতাংদা ইনফোর্মেসন অমসুং ইন্টলিজেন্স পীনগদবনি হায়খি। হায়রিবা পেসেঞ্জরশিং অসি সেদ্যুল্ড ফ্লাইটশিং খক্তা নত্তনা চার্টর ফ্লাইটশিং অমসুং হেলিকোপ্টরনচিংবগী পেসেঞ্জরশিংদসু তৌগদবনি হায়রি।

পাউতাক অসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিংগী ফ্লায়িং স্কাৱাদ অমসুং তোঙান তোঙানবা এজেন্সী/ দিপার্টমেন্টশিংনা ইল্লিসিট, ইল্লিগেল আইটেমশিং মতম চানা ফাগৎপা ঙম্নবগীনি হায়রি।

দ্রগ অমসুং নার্কোটিক্কী মতাংদনা এন সী বি অমসুং ষ্টেট পুলিসনা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎপগী থবক কনখৎহনবগা লোয়ননা মসিদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা কেসশিং রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎনবসু খঙহনখি। চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা চাং নাইনা চথরকপা ত্রাঞ্জেক্সনশিংগী মতাংদনা এস এল বি সীগী ওফিসলশিংনা দি ঈ ও অমসুং ইনকম টেক্সকী ওফিসলশিংদা রিপোর্টশিং সবমিট তৌরক্লবসু ঙসিগী মীফমদা খঙহনখি হায়রি।

ꯀꯤꯡꯗꯣꯝ
KINGDOM
EDUCATIONAL INSTITUTE
Fulfill your Dreams
Regd. No. 422 of 2020 ( Govt. of Manipur)
An ISO Certified
CIN: Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India)
ADMISSION OPENS
AVIATION COURSE
(CABIN CREW, GROUND STAFF)
100% Job Placement Assistance, Jobs across the Globe



★SPOKEN ENGLISH ★SPOKEN HINDI
(Communication Skills, Public Speaking, Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Daily Talks, Interview Techniques etc.)
◆COMPUTER (NIELIT) (1,2,3,6 mths & 1 yr)
(Tally GST, Programming, CCC, DCA)
SPECIAL SPOKEN ENGLISH CLASS only for AIR HOSTESS ASPIRANTS
Time: 10:30-11:50 am
Get trained by highly qualified & long experienced Experts under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
☛ 21 yrs Teaching Experience ☛ 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer ☛ Multiple Schools & Colleges ☛ 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal
☛ 3 mths at IT Call Centre as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur) As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
Address: Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
Contact No. : 9612224161, 7005622203, 8837407726, 6009124946
HL-B/7441/22 jan to 21 March (alt.)